**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অহমেদবাদতা থা অসিগী ১২ দা এরোপ্লেন কায়বদা লৈখিদ্রবী কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্থোই শর্ম্মগী হকচাং মহাক্কী পোকফম লমদম থৌবাল অৱাং লৈকাই য়ৌরকখ্রে।

২) মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই ৩৩ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনরে, পুন্না পোজিটিব ওইবা মশিং ১৪৫ শুরে।

৩) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ ৫ অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই ওইরপ্তুগী অকনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি।

৪) পহলগামদা চথখিবা টেরর এটেক্তা তেরোরিষ্টশিংগী মতেং পাংখিবগী মরালদা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা মীওই অনি ফারে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইরানগী রাষ্ট্রপতি মসুদ পিজেসক্যাগা ইরান অমসুং ইজরেলগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

------

ঙান্থোই (এল)ঃ অহমেদবাদতা থা অসিগী ১২ দা এরোপ্লেন কায়বদা লৈখিদ্রবী কোংব্রাইলাৎপম ঙান্থোই শর্ম্মগী হকচাং মহাক্কী পোকফম লমদম থৌবাল অৱাং লৈকাই য়ৌরকখ্রে। মফম অদুদা মীয়ামা লৈখিদ্রবীগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎলি।

মদুগী মমাং থৌবাল বজারদা লৈখিদ্রবী কোংব্রাইলাৎপম ঙান্থোই শর্ম্মগী মফমদা মীয়ামা লৈ কৎখি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ মিনিত ১০ রোম তাবা মতমদা ঙান্থোইগী অশিবা হকচাং ইম্ফালগী ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা য়ৌরকখিবনি। মফম অদুদা লোক সভা সদস্য বিমোল অকোইজম, এম.এল.এ ওক্রম শুরজা কুমার, চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহ অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়ামা ইকায় খুমবা উৎলবা মতুংদা মহাক্কী পোকফম থৌবাল অৱাং লৈকাইদা পুরকখিবনি।

অমরোমদা, অহমেদবাদকী প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিগী ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু ওল ইন্দিয়া এয়ারলাইন্স রিটয়ার্দ পার্সোনেল এসোসিয়েসন্না শিনবনি। মীফম অদুদা ইন্দিয়ান এয়ারলাইন্সগী হান্নগী চীফ মেনেজিং দাইরেক্তর শুনিল অরোরা অমদি এয়ার ইন্দিয়াগী হান্নগী কর্ম্মচারিশিং শরুক য়াখি।

কোবিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই ৩৩ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনরে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মশিং ১৪৫ শুরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- ঙসি মীওই ১০১ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৩ কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। মীওই ৩৩ অসিগী মনুংদা-ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ২৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৩ অমসুং থৌবালদগী মীওই ৩ য়াওরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই মঙা নাবা ফাগৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১২২ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

তুরিজম (এল)ঃ রাজ্যগী তুরিজম বিভাগকী দিরেক্তর অমসুং দিপ্যুতি দিরেক্তরনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হিল ত্রাইবেল চীফ গেষ্ট হাউস অমসুং নোংমাইচীংদা লৈবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্টতা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। রাজ্য অসিদা তুরিজমগী ইনফ্রাষ্টকচর চাওখৎনবগী পান্দমদা সরকারনা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না শেমগৎলিবা মফম অনি অসিনা লম অসিদা চাউনা অওনবা পুরক্লগনি।

কার্দ (এল)ঃ হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ- থৌনাউজম বসন্তকুমারনা ঙসি নম্বোল নাওরেম কৈথেলদা পি.এম.জে.এ.ৱাই. কার্দশিং মায়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- নম্বোল কেন্দ্রগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা সি.এম.ঐচ.টি কার্দ লিশিং ১,১০০ অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাই কার্দ লিশিং ৩,২০০ শাবা লোইদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা বি.জে.পি নম্বোল মন্দলগী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম জিতেনসু শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ ৫ অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই ওইরপ্তগী অকনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি।

নোনে, জিরিবাম অমসুং সেনাপতি জিলাগী মফম খরদা হয়েং অকনবা নোং চুগনি হায়রি। উখুল জিলাদা হয়েং অকনবদগী য়ামা কনবা চাংদা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

মরক অসিদা, মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- গুজরাত অমসুং মধ্য প্রদেশতা হয়েং য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোং হিমাচল

প্রদেশ, লদাখ, জম্মু কাশ্মীর অমসুং পঞ্জাবকী মফম কয়াদা য়ৌরক্লে। মখা তানা রাজস্থান, হরিয়ানা, দিল্লি অমসুং নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশতা লাক্লিবা খরনি অসিদা য়ৌরক্লগনি।

ফামরস (এল)ঃ লৌ উবদা বাইও ফরটিলাইজর শিজিন্নবগী মতাংদা লৌমীশিংগী ওইবা ফিল্ড লেবেল দেমোন্সত্রেসন অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই অৱাং লৈকাই লাইনিংথৌ পুরৈরোম্বা মন্দবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইঙম খুল-লমশাংগী গ্রীন বাইওটেক ইকো সোলুসন্স প্রাইবেট লিমিটেদনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এগ্রীকলচর বিভাগকী দাইরেক্তর-পিটর সলামনা হায়-রাজ্য সরকারনা লৌমীশিংদা হার মরাং কায়না ফংহন্নবা থৌরম কয়া শিল্লি। মসিগী মনুং চন্না ঙসিগী থৌরম অসিসু পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- লৌমীশিংনা রাসায়নগী হার কা হেন্না শিজিন্নবগী মহুৎতা ওর্গানিক্কী হারশিং শিজিন্নদুনা পোত্থোক পুথোকবা হোৎনমিন্নশি। রাসায়ন হারগী মহুৎতা ওর্গানিক্কী হারশিংনা তপা তপা মহুৎ শিনবা য়ানবা থৌরাংশিং পুন্না লৌখৎমিন্নশি।

কাদা (এল)ঃ কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা)না শিন দুনা নোংমগী ওইবা একাদমিক এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইরোইশেম্বদা লৈবা মোরেল ইজ্‌কেসন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী হিরমনা নিশানা মহৈরোই খুনাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিনি। থৌরম অসিদা কাদা অমসুং মোরেল ইজ্‌কেসন সেন্তরগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল) ঃ রোয়েল ব্রদর্স ক্লব সেনাপতিনা শিন্দুনা নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা ভোলুন্তিয়ার সোসিয়েল সার্ভিস অমা পাঙথোকখ্রে। ঙরাং অয়ুক অঙনবদগী হৌখিবা সোসিয়েল সার্ভিস অদুদা মরাল সেন্তেরদগী

সেনাপতি বজার ফাওবদা লৈবা ইরম-নালাশিং শেংদোকপগা লোয়না লম্বী অদুদা লৈবা পোট হোলশিংসু শেমজিনখি।

আই (এল)ঃ সন ক্লব মোংশাংগৈ অমদি এম.এস. চিকালিয়ন ওগ্প্তিকেল অনিনা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোংশাংগৈ বোরোই মখোঙ মনাক্তা লৈবা সন ক্লবকী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা মীওই ১০০ হেন্না মীৎ লায়েংখি।

এনআইএ ঃপহলগামদা চথুখিবা টেরর এটেক্তা তেরোরিষ্টশিংগী মতেং পাংখিবগী মরালদা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এ.আই.এ)না মীওই অনি ফারে। মখোয় অনিনা হায়দোরকপদগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা তেরোরিষ্ট অহুমগী মশক খঙলে। চেন্নবা মীওই অহুম অদু পাকিস্তানদা বেজ তৌবা গ্রুপ লাস্কার-ই-তোইবগী তেরোরিষ্টশিংনা হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-ফারবা মীওই অনি অদুনা তেরোরিষ্টশিংদা চান থকবা, লৈফম অমদি তোঙানবা তেংবাংশিং পীখি। এন.আই.এনা মখোয় অনিবু অনলোফুল এক্তিভিতিজ প্রিভেন্সন এক্টকী মখাদা ফাখিবনি।

এনআইএ-২ ঃ এন.আই.এনা সি.পি.আই (মাওইষ্ট) নোর্দন রিজন ব্যুরো তেরর রিভাইভেল কন্সপিরেসি কেসতা মরুওইনা চেন্নবা মীওই অমা দিল্লিদগী ফারে। ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা মীওই অদুগী উত্তর প্রদেশকী মাথুরাদা লৈবা ময়ুমদা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা হার্দ দ্রাইভস, পেন দ্রাইভস, মোবাইল ফোন্ন চিংবা দিজিতেল দিভাইসশিং য়াওনা চে চাং কয়ামরুম ফাগৎলে।

মীওই অদু ৱাহং পাউহং চথবদা আইন্না থিংখ্রবা সি.পি.আই (মাওইষ্ট)কী লুচিংবশিংদা দ্রোন পীদুনা বিহারগী ছকারবন্ধা অমসুং পঞ্চরুখিয়াগী উমংগী মফমশিংদা জাতিগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া চথবদা মতেং পাংখি হায়রি। মসিগী মথক্তা ইং ২০১৯ দা বিহারগী মনুং হঞ্জিনবা উমংগী মফমশিংদা

সি.পি.আই (মাওইষ্ট)কী কাদরশিং মহাকা টেকিকেল ত্রেনিং পীখি অমসুং লুপ অসিগী সেন্ত্রেল কমিতিগী মীওইশিংগা মীফম কয়া পাঙথোকখি হায়রি।

কেস অসি তেরর ওর্গনাইজেসনগী লাল্লোংশিং উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং হিমাচল প্রদেশনচিংবা নোর্দন রিজনেল ব্যুরো এরিয়া হেন্না শক্তি লৈহন্নবা থৌরাংশিংগা মরী লৈনৈ। লল্লোং অসিগী মনুং চন্না লুপ অসিগী অনৌবা কাদরশিং রিক্রুট তৌবা অমসুং সহরগী লমদা লৈবা মখোয়গী কাদরশিংগী খুথাংদা লুপ অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা থবকশিং পায়খৎপনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইরানগী রাষ্ট্রপতি মসুদ পিজেসক্যাগা ইরান অমসুং ইজরেলগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতিগা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদু ৱারী শান্নদুনা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা ভারতনা মতেং পাংগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, ইরানদগী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা ভারত মচা ৩১১ ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংলরে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- ওপরেসন সিন্ধুগী মখাদা ভারত মচা লিশিং ১,৪২৮ ইরানদগী থংদোরকখ্রে।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ নুমিৎ নিনিগী ছত্তিসগর খোঙচৎতা রাইপুরদা থুংখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী সাহনা রাজ্যগী কোনুং রাইপুর অমসুং নরায়নপ্রদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি। মহাকা ঙসি রাইপুরগী নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্সেস য়ুনিভর্সিতি অমসুং সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি শানবা যাত্রা হুনখি। ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভর্সিতি অসি লম একর ৪০ রোম চাওবা মফমদা লুপা কোতি ৪০০ চংনা শাগনি।

তুংদা, শ্রী সাহনা ছত্তিসগরগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস অমসুং এদ্দিসনেল দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিসকা নয়া রাইপুরদা সেক্যুরিতিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। গৃহ মন্ত্রিনা অতোপ্পা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লেফটৱিং এক্সত্রিমিজমগী মতাংদা হন্না য়েংশিনগনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়েং বাস্তর দিভিজনগী নরায়নপুর জিলাদা লৈবা অবুজ হামট এরিয়াদা চত্তুনা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা উন্নগনি। তুংদা, শ্রী সাহনা জিলা অদুগী ইরক ভাতিদা লৈবা বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সকী কেম্পতা চত্তুনা জৱানশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নগনি।

সেথ ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি শঞ্জয় সেথকী কেনিয়া অমসুং মদাগসকরগী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবা তাঙ্কক্তা মন্ত্রিনা কেনিয়াগী তাইতা-তাবেতা কাউন্তিদা ভারত অমসুং কেনিয়াগী লান্মীশিংবু ইকায় খুমবা উৎলিবা ৱার মেমোরিয়েলগী কমেমোরেতিভ পিল্লর মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। অনিসুবা তাঙ্কক্তা মহাকা মদাগসকরদা চত্তুনা লৈবাক অদুনা নীংতম্লকপা চহি ৬৫ শুরকপগী থৌরম অমসুং মালাগাসি আর্মদ ফোর্সেস লিংখৎখিবগী পালন থৌরমদা শরুক য়াগনি।

একনাথ ঃ মহারাষ্ট্রগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দেনা লদাখকী দ্রাসতা লৈবা কার্গিল ৱার মেমোরিয়েলদা সরহট সোরিয়াথোন ২০২৫ লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা উপ-মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- পহলগাম টেরর এটেক থোকখ্রবা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মরাথোন অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই লিশিং ২,৫০০ হেনবনা শরুক য়ারিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা ভারত লান্মীদা থল্লিবা অচেৎপা থাজবা অমদি ইকায় খুমবা অদু ময়েক শেংনা তাক্লে। মহাকা কার্গিল লানদা থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা কার্গিল ৱার মেমোরিয়েল শেমগৎনবগীদমক মহারাষ্ট্র সরকারনা লুপা কোতি পীরগনি হায়না ফোংদোকখি।

থৌরম অদু ভারত লান্মীনা পুনেগী সরহুট ফাউন্দেসন অমসুং কার্গিলগী লোকেল সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল) ঃ ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দ য়ং ৱেলফ্যার ক্লবনা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল) ঃ লেট এল. সনা এলাইজ ইঙম মেমোরিএল ট্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ই.পি.ৱাই.সি এলাংখাংপোকপীনা ৱাই.ও.সি য়াংদোংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.এম.সি.এফ কোক ৱাইরি অমসুং ইমোইনু বোর্দিং পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

------